# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 23-08-2024)**

**পুলিস (এল)ঃ** মনিপুর পুলিসনা চিং অমসুং তমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথ্বদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

থৌবাল জিলাগী তেকচম মনিং চীংদা থিবা হুবগী থবক চথ্বদা করবাইন অমা, এম.টৌইন্তিগী পিষ্টোল অমা, নাইন এম.এম. পিষ্টোল অনি, বোর বেল্ট এক্সন রাইফল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ ৯, আইতি ৱান এম.এম. মোটার সেল অমা, গ্রীন আইতি এম.কে. অনি, টিয়ার গ্যাস গ্রেনেদ অমা, টিয়ার স্মোগ সেল তরেৎ, ষ্টর্ন সেল অমা, নোংমৈ মরু ৩৫, থ্রি নোট থ্রিগী অহাংবা কারটিজ অহুম, সিক্সতিন এম.এমগী কারটিজ অহুম, রেদিও সেট অমা, বারমাগী শেল ওইনা লুপা লিশিং তরা ফাগৎখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নুঙ্গাইপোকপী ভিলেজতা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথ্বদনা পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অনি, মেগজিন অমা, টুয়েল্ব বোর সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অহুম, অহাংবা কারটিজ ১৫, দিটোনেটর অহুম, পেরা ইলুমেনেটিং বোম অমা, নোংমৈ মরু মঙা, আর্মিং রিং অহুম, স্মোগ গ্রেনেদ অহুম, এন্টি রাইওট সেল অহুম ফাগৎপা ঙমখি।

নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী অমদি নেসনেল হায়ৱে টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা পোৎ থন্না য়াওরবা গাড়ি ১৯৬ সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফালদা পুশিল্লকখ্রে। পামদবা থৌদোক থোকপা থিংনবগীদমক চেক পোইন্ট ১০৫ হাংদোক্লে। চিংনবা মীওই ১৬৮ মচিন হংবগী থবক চথ্খি।

**ভিজিট(এল)ঃ** রেলৱে বোর্ডকী ইনফ্রাষ্ট্রকচর মেম্বর-অনিল কুমার খন্দেৱাল অমদি অতৈ মীহুৎশিংগা লোয়ননা নোনে জিলাগী তুপুলদা রেলৱেজগী শেমগৎ

শাগৎলিবশিং হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

জিরিবাম-তুপুল-ইম্ফাল মেগা রেলৱে প্রোজেক্টশিং পায়খৎলিবা অমদি শেমগৎ শাগৎলিবশিং অসিদা গোংখা তেরিয়রসনা অঙন্বা তেংবাং পীদুনা লাক্লি। প্রোজেক্ট অসি নীংথিনা অমসুং নিয়ম চুমা অয়েৎ অপন য়াওদনা পায়খৎনবা হোৎনবদা গোর্খা তেরিয়রসনা হৌখিবা চহি অহুমদা নীংথিনা শেন্নদুনা লাক্লি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা নোনে জিলাগী তৌপুলদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। তোঙান তোঙানবা লায়নাশিংদগী খুঞ্জাশিংনা মতৌ করমা ঙাকথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা লেকচর প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি।

লায়েংবগী কেম্প অদুদা নুপা ৪১, নুপী ৪৪ অমদি অঙাং ৭২ লায়েংখি অমদি হিদাক লাংথকশিং লেমা য়েন্থোকখি। মসি খুঞ্জাশিংবু মশা-মউ ফনা লৈহন্নবগী পান্দমদা অসাম রাইফলসনা পাঙথোকপনি হায়রি।

**এৱার্ড (এল)ঃ** সয়া তফ ফাউন্দেসন ইন্টরনেসনেল-নোইদানা মীওইবা খুন্নাইগী য়াইফ থৌরাংগী থবক কয়া তৌবগীদমক তোঙান তোঙানবা মীওইশিংদা মনা পীনবা লাউথোকখ্রে।

মনা পীনবা খনগৎপদা য়াওরবশিংগী মনুংদা মনিপুরদগী ৮ য়াওরি। অদুগা ওর্গনাইজেসনদনা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-মনিপুর ষ্টেট ব্রান্সতা মনা পীরগনি হায়রি।

**স্পেসঃ** লৈবাক শিনবা থুংবদা ঙসি অহানবা ওইনা নেসনেল স্পেস ডেগী থৌরম পাঙথোক্কনি। কমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগী হীরমদি 'টচিং লাইফস হ্বাইল টচিং দা মুন-ইন্দিয়াস স্পেস সগা' হায়বসিনি।

ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরমদা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু শরুক য়াগনি। ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইসরো) গী দিপ্যুতি

দিরেক্তর-আর.ভি. নদা গৌরানা অকাশবানি পাউমীদা পালন থৌরম অসিগী মতাংদা হায়-থৌরম অসি লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা স্কুল, কলেজ, য়ুনিভরসিতিশিংদসু পাঙথোক্কুনা স্পেসকী মরমদা মহৈরোইশিংদা নীংথিনা খঙহন্নগনি। মসিনা স্পেসকী মরমদা রিছার্স তৌবদা হেন্না কানহনগনি।

মনিপুরদসু পালন থৌরম অসি মনিপুরি য়ুনিভরসিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফিজিক্সনা শিনদুনা য়ুনিভরসিতি অসিগী কোর্ট হোলদা পাঙথোক্কনি।

**ত্রিপুরা ঃ** ত্রিপুরাদা হৌজিক থোক্লিবা ঈশিং ঈচাওগা মরী লৈননা নেসনেল দিজাস্তর রেস্পোন্স ফোর্স (এন.দি.আর.এফ) কী টিমশিংনা মা কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক চথরি।

এন.দি.আর.এফকী টিম খক্তা নত্তনা ঈচাও অসিনা মরম ওইদুনা থোকপা য়াদনা লৈরিবা মীওইশিং হোন্দোকবা হেলিকোপ্তর অহুম শিজিন্নরি। হৌখিবা নুমিৎ মরিনিদা রাজ্য অদুদা থোকখিবা অকনবা নোংনা লৌউ শিংউ অমদি অতৈ সেক্তরশিংদা চাউনা অকায়বা পীরে। ঈচাও অদুনা মরম ওইদুনা লৌফম হেক্তর লিশিং ৬,৮৭০ রোমগী মহৈ-মরোং মাঙ তাক্লে। মসিনা মরম ওইদুনা লৌউ শিংউ সেক্তর খক্তদা লুপা কোতি ৫৩১ রোম মাঙলগদ্রা হায়না পান্নরি। লৌউ শিংউ খক্তা নত্তনা মৈগী থবক্তসু চাউনা মাঙ তাক্লে। হৌজিক ফাওবদা ইলেক্ত্রিক্ট পোল অমদি ত্রান্সফোমর কয়া ঈশিংনা চেন্থখিবদগী মৈ পীবগী থবক্তা চাউনা অকায়বা থোক্লে। হৌজিক ফাওবদা ঈচাও অদুনা মরম ওইদুনা মীওই লাখ ১৭ রোম অৱাবা মায়োকরি।

**নাগালেন্দঃ** নাগালেন্দ সরকারনা, নাগালেন্দ লিকর টোটেল প্রোহিবিসন এক্ট-১৯৮৯ নৌনা য়েংশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ঙরাং কোহিমাগী সিভিল সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখিবা মন্ত্রি-মন্দলগী মীফমনা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম লোইরবা তুংদা

পাউমীশিংগা উন্নবদা সরকারগী মচিন চৎপা মীশক-কেনয়িনা হায়, এক্ট অসি রাজ্য অদুদা হেক চৎনবা হৌখিবদগী হৌখিবা চহি ৩০ রোম অসি করিগুম্বা হীরম অমত্তদা য়েংশিনদনা লাক্লি। মসিনা এক্ট অসিগী খুদোংচাবা লৌরগা আইননা য়াদবা মওংদা মীরমদগী য়ু পুশিল্লকপা অমদি লোন্না লল্লোনবা কয়া তৌবা থেংনরে। মসিনা মীয়ামগী হকচাংদা অকায়বা কয়া থোকহল্লে। ফিভম অসি লাকপদগী চর্চ লিদরশিং অমদি আইনগী থবক তৌরিবা মীওই কয়ানা ফিভম অসি য়েংশিন্নবা খঙহল্লকপদগী সরকারনা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। রাজ্যগী মফম খরদগী প্রোহিবিসন এক্ট অসি লৌথোকপা য়াব্রা হায়বদুসু সরকারনা খন্নগনি।

**শ্রীলঙ্কা ঃ** শ্রীলঙ্কাগী য়ৈথোক্কুনা লৈরুবা লোকেল গভরমেন্টকী মীখল পাঙথোক বা মতিক চাবা থবক লৌখৎলু হায়না শ্রীলঙ্কাগী সুপ্রিম কোর্টনা ইলেক্সন কম্মিসনদা খঙহনখ্রে।

মমাং চহিদা পাঙথোক্কদবা মীখল অদু য়ৈথোকপা অসিনা ভোটরশিংগী ফংফম থোকপা হকশিং অদু ফংহনদ্রে হায়না কোর্টনা হায়রি। কেস অসিগী ৱায়েল অদু লাউথোক্লদুনা সুপ্রিম কোর্টনা হায়-রাস্ত্রপতি অমদি ইলেক্সন কম্মিসনগী মেম্বরশিংনা ভোটরশিংগী হক খোঙ্গাউনরে। হীরম অসিগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংনা কোর্টতা ৱাকৎলকপদগী কোর্টনা মীখল অদু অথুবা মতমদা পাঙথোকবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখিবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পোকফম পাউ-চেদা-রেলৱে প্রোজেক্ট অথুবদা লোয়শিন্নবা রেলৱে বোর্ডকী মেম্বরশিংনা সি.এমগা উন্নদুনা খন্নখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি নহারোলগী থৌদাং, মনিপুর ন্যুজতসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-মনিপুরবু অসামগী এসোসিয়েট ওফিসিএল লেঙ্গৈইজ ওইহনবা বিল হাউসতা পুথোকখ্রে, অসামদা খুন্দারিবা মনিপুরিশিংগী শাংলবা দিমান্দ লৈঙাকা পীগদৌরিবা হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস এদিসন অনিমক্তা-সেপ্তেম্বরদগী মীকোক থিবা হৌরবা য়ারি, চহি ১৫ গী মীকোক থিবগী মশিং ইং ২০২৬ কী মার্চতা পুথোকবা পান্দম থল্লি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-ইমাগী মিংদা উ পাম্বী অমা থাবা ঙমদ্রবদি ঐখোয় হিংলুবগী কান্নদ্রে হায়বা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্রনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-পেত্রোল, দিজল ব্লেক্তা য়োনবশিং এক্সন লৌনবা খঙহনখ্রে। থাউ মরাং কায়না লৈরি। মীয়ামনা পেনিক বাইয়িং তৌবীগনু হায়না কঞ্জুমর এফিয়ার্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী দাইরেক্তর-রোবার্টসন অশেমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর ন্যুজতা-শান্তি থম্বগা মরী লৈননা নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ ইম্ফালদা লাক্কদৌরিবা হায়বা পাউনা অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা হেদলাইন ওইরি।

হুইয়েন লানপাউদা-নাগালেন্দগী জ্বজাদা চীং নিংখায়রকপদগী ইম্ফাল য়ৌরক্কদবা ত্রক ১৫০ রোম পন্দুনা লৈখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সেবিগী চীফপু লৌথোকবা অমদি জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কমিতিনা মোদানি স্কিমবু থিজিলহন্নবা কংগ্রেসনা দাবী তৌখিবগী পাউনা মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতসু পাউ অসি অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-সেনাপতি এফ.সি. অমদি রোয়েল রেঞ্জরনা সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগতা মাংজিল থাদুনা চৎলি,

মথং থাদগী মীকোক থিবা হৌরগনি হায়বা পাউনা মরুওইবা পাউশিং ওইরি। পাউ অসি তমেংলোং টাইমসতসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিয়ু মেলদা-তৌসেম এরিয়া ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসননা চীফ মিনিস্তরদা অইবা মেমোরেন্দম অমা মার্সেখ সর্ভে রিপোর্টকী মনুংদা তমেংলোংগী জিলা মনুং চনবা খুরা তরাবু জিরিবাম জিলাগী মনুংদা লৈহন্নবা দাবী তৌবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।